থোংজু এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ অমদি মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎকী মীৎয়েং মখাদা ৫/১০ বুথ লেভেল কম্মিটি অমদি বি জে পি মহিলা মোর্চাগা খুৎশম্নদুনা মীরোনবী নুপীশিংদা ন্যুত্রিসন ফুদকী মনুং চন্না শঙ্গোম য়েন্থোকখিবা



মালেমগী ইমাগী নুমীৎকা মরী লৈননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা হৈরোক পার্ট টুগী চীংদোম্পোক হায় স্কুলদা পাঙথোকখিবা লেম্না য়া লায়েংবগী কেম্পতা শরুক য়াখিবী নুপী অমবু ডোক্তরনা লায়েংখিবা



জিরিবাম দিভিজন ফোরেষ্ট ওফিসর আই এফ এস রাজেশ দরাদেগী লীচিং মখাদা দিবোংগী মনাক্তা পুরকখিবা সৰন টিক বিম ১১২ রোম ফাগৎলবা মতুং মণিপুর ফোরেষ্ট রুল ১৯৭১গী মনুং চন্না কেস থাঙ্গৎখিবা



থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ন্যুজপেপর হোকর এসোসিএসন (টি দি এন ঐচ এ)গী অনীরকশুবা মপোক নুমীৎকী থৌরম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থৌবাল অথোকপম খুনৌদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ৱা ঙাংখিবা



## তেংবাঙ থৌরম

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস): দিসএবল ৰেলফেয়র দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন, তাকয়েল খোংবাল ময়াই লৈকায়না শীন্দুনা চৎলিবা মে ৩০ অসিদা ৮ লকশুবা ওইনা হকচাংগী ফীভমদা মীমান্নদ্রবী, মপুরোইবা কায়নখ্রবী ঐচ আই ভিগা শাগোন্নদুনা হিংলিবী অমদি বি পি এল কার্দ পায়বা ইচে-ইচল, ইমাশিংদা মতেং পাংবগী থৌরম অমা মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্লগনি হায়না দিসএবল ৰেলফ্যের দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (দি দব্লিয়ু দি এ)গী সেক্রেটরি সী ঐচ ননাওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, থৌরম অসিদা শরুক য়াবীনিংবশিংনা মে ৯দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা তাকয়েল খোংবাল ময়াই লৈকায়দা লৈবা হেদ ওফিস অমদি নাওরেমথোংদা লৈবা দ ওরিয়েন্ট ক্লবকী মায়োক্লবদা লৈরিবা বিজু কম্প্যুটরদগী ফোর্ম লৌবীবগা লোয়ননা সবমিট তৌবীগদবনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক কন্টেক্ট নম্বর ৭৬২৯৮৫৪৮৮১ অমদি ৯৮৬৩৪৩১৩৪৭ তগী খঙবীবা য়াগনি হায়রি।

## রিজোল্যুসন পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস): ঙসি সী এম বঙ্গলোদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা উনদুনা পাওমৈ এরিয়াদা লৈরিবা মফমশিংদা দ্রগ ফ্রী জোন ওইহল্লগনি হায়বা ৰারেপ য়াওবা রিজোল্যুসনগী চেরোল অমা পাওমৈ ত্রাইবকী লুচিংবসু ওইরিবা কারোং এ সীগী এম এল এ, জে কুমো সা, পাওমৈ নাগা য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট দি দাইলোর্দ অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনগী লুচিংবশিং য়াওনা পীশিনখ্রে হায়রি।

## টিক ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস): জিরিবাম আই এফ এস দিভিজনল ফোরেষ্ট ওফিসর রাজেশ দরাদেগী লুচিং মখাদা জিরিবাম ফোরেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা দিবোং এরিয়াদা সৰন টিক বিম ১১২ রোম ফাগৎখ্রে হায়রি। ফাগৎলবা সৰন টিক বিমশিং অদুবু পুরকপা মীওইশিং অদুগী মথক্তা মণিপুর ফোরেষ্ট রুলস ১৯৭১গী মনুং চন্না কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

## থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস): থোংজু পার্ট টু গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চন্না লৈবা ষ্টুদেন্টস ৰেলফ্যের কম্মিটিগী কম্যুনিটি হোলদা নেসনল পঞ্চায়ট দেগা মরী লৈননা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অদু চাইল্ড ফ্রেন্দলি, ৱাটর সফিসিয়েন্ট ভিলেজ, ক্লিন এন্দ গ্রীন ভিলেজ হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা থোংজু পার্টটুগী হান্নগী প্রধান নোংমৈকাপ্পম চিংখৈনা ফোঙদোকখিবদা, খুঙ্গং অমা চাউখৎপা হায়বসি গ্রাম পঞ্চায়টশিংগী চাউরবা থৌদাং কয়া লৈ। লোয়ননা মীয়াম্নসু পুন্না খুৎশম্ন দুনা অমনা অমগী মতেং পাংমিন্নদুনা চৎপা তঙাইফদে হায়খি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা থোংজু পার্ট টুগী মনুং চন্না লৈবা ক্লব ৯ অমদি গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী মনুং চন্না লৈবা ভি এল এফ অহুমদা লম-তূ শেংবদা শীজিন্নগদবা মেছিনশিংসু খুৎশিন্নখি হায়রি।

## পোৎ-চৈ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস): ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা থোংজু এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ অমদি মিনিষ্টর ওইরিবা থোঙাম বিশ্বজিৎকী মীৎয়েং মখাদা ৫/১০ বুথ লেভেল কম্মিটি অমদি বি জে পি মহিলা মোর্চাগা খুৎশম্নরগা মীরোনবী নুপীশিংদা ন্যুত্রিসন ফুদ পীবগী শরুক অমা ওইনা মীরোনবী নুপী কয়াদা পোসন অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা শঙ্গোম য়েন্থোকখ্রে। থৌরমদুদা বি জে পিগী ৱার্ক রশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

# চাকথোং গ্যাসকী মমল হেনগৎতুনা লুপা ১২০০ হেন্না লৌখিবসি মীয়াম্বু থওইদবনি : সী পি আই

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস) : লেপ্পা লৈতনা নুমীৎ খূদিংগী শীজিন্নরিবা পোৎলমশিংগী মমল লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপগা লোয়ননা পেট্রোলিয়মগী প্রদক্টশিংগী মমলসু হেনগৎপগী মথক্তা চাকথোং গ্যাসকী মমল হেনগৎতুনা লুপা ১২০০ হেন্না লৌখিবসি মীয়াম্বু থওইদবনি হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এম এস সী, সী পি আই)গী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা পেট্রোলিয়ম অমদি চাকথোং গ্যাসকী মমল থা অমগী মনুংদা অনীরক থোক্না হেনগৎলকপদা হৌজিক হৌজিক পেট্রোলিয়মগী প্রদক্টশিংগী মমল হেনগৎপা য়ারোই হায়দুনা ষ্ট্রাইক অমদি প্রোটেষ্ট চঙশিল্লিঙৈ থা অসিগী মনুংদা থেঙ্খাং অনীরক হন্না হেনগৎলকপবু মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল, কম্যুনিষ্টি পার্টি ওফ ইন্দিয়ানা শুকয়া য়াবা ঙল্লোই। অদুগা থৌওং অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌফম থোকই হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, হৌজিক হৌজিক চাকথোং গ্যাসকী মমল অসি লুপা ৫০ হেনগৎতুনা লুপা ১২১৪.৯০ য়ৌহনখ্রে। মসিমক লৈবাক মীয়াম্বু লায়রা তালহনবদা নত্তনা চাকথোং গ্যাস শীজিন্নবা তোকউ হায়বনি। লোয়ননা চাকথোং গ্যাস লাক্ত্রিঙৈ মতমদা য়ুমগী নুপী ওইবীশিংনা মমাংঙৈদা শিং থারগা চাক থোংলম্বদু অমুক হন্না তৌরো হায়বগা চপ মান্নরে। হন্দক্কী থা অসিগী মনুংদা পেট্রোলিয়মগী প্রদক্ট অমদি চাকথোং গ্যাসকী মমল অনীরক হেনগৎলকপা অসিনা লায়রবা মীয়ামদি হেন্না অৱাবা চৈফু অমা নংলগনি। শিং-উ শীজিন্নবা মৈ থাবা তোক্লবা অমদি উমং কন্নবা গ্যাস শীজিন্নবা কন্না চত্থরক্লিবা চৎন-লোনচৎ অসি মুথৎলগা মীয়াম্বু মমাংঙৈগী লোনচৎতা অমুক হন্না লাকহনবা হায়বসি য়াম্নমক লাইবক থীবনি। উমং কোকথোক্লগা মৈ থাহন্নবা অমদি ওক্সিজেন পুথোকচরম্বা উ-ৱাশিং পাক্তক্লনা য়ান্থুৎহন্নবা শীল্লিবা বি জে পিগী থৌওংনি হায়না সী পি আইনা লৌই। মরম অদুনা সী পি আইনা লৈঙাক অসিবু মীয়ামগী অমদি মালেমগী লৈবাক অসিগীদমক খরা খজিক খনফম থোকই হায়জনিংই। সী পি আই মণিপুরনা মফম কয়াদা চৎতুনা পেট্রোলিয়ম পোত্থোক্কী মমল হন্থহন্নবা, টেক্স কোক্লনবা খোঙজং কয়া লিশাং শিৎনা চত্থদুনা লাক্লি। অদুবু মীয়ামগী দিমান্দ অসি লৈঙাক অসিনা করিসু থওইদনা অদুম্মক মীয়ামগী রাইট মৎলি। মরম অদুনা লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা লৈবাক মীয়াম পুন্দুনা অমত্তা ওইনা হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিনবা মথৌ তাই হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# আর এস এসকী সঙ্ঘ শিক্ষা ৱর্গ ২০২২ ইম্ফাল ইষ্টকী হরাওরৌদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস) : রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেৱক সঙ্ঘ (আর এস এস)কী সঙ্ঘ শিক্ষা ৱর্গ-২০২২ ইম্ফাল ইষ্টকী হরাওরৌদা লৈবা রাজ শ্রী ভাগ্যচন্দ্র স্কিল দিভেলপমেন্টদা এপ্রিল ১৮দগী চত্থরকপা চহী ১৫দগী ৪০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিং অমদি এপ্রিল ২৩দগী হৌখিবা চহী ৪১দগী ৬৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংগী ওইবা কেম্প ঙসি লোইশিনখ্রে হায়না আর এস এস মণিপুর প্রান্টকী প্রচার প্রমুখ রাজকুমার দয়ানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কেম্প অসিদা সুপরভাইজর ২৬, ট্রেনর ২২ অমদি ট্রেনি য়াওনা পুন্না মীওই ১১৩না শরুক য়াখি। কেম্প অসিগী পান্দমদি প্রান্ট অসিদা লৈরিবা নহারোল, মহৈরোয়শিং, তোঙান তোঙানবা শিনফমশিংদা লৈরিবা অমসুং থবক্তগী পোত্থারবা মীওইশিংবু সঙ্ঘগী মরমদা হেন্না খঙহনবগা লোয়ননা ফিজিকেল, ইন্টলেকচ্যুএল, স্পিরিচ্যুএল হায়রিবা হীরম অহুম অসিদা মপুং মরৈ ফারবা অফবা মীওইশিং পুথোক্লবা পান্দম লোয়ননা খুন্নাইগী তোঙান তোঙানবা হীরমদা থৌদাং লৈনা থবক তৌদুনা তীঞ্জং-কায়জংদবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগীদমক চঙশিন্নবা পায়খৎলকপা থৌরাং অমনি।

ঙসি কেম্প লোইশিনবগী থৌরম অদুদা পদ্মশ্রী গুরু রিউবেন মংশাভা, আর এস এস মণিপুর প্রান্টকী ইন্টলেকচ্যুএল হেদ ময়েংবম শামুঙৌনা মথংশিৎনা মরুওইবা মীথুংলেনশিং ওইদুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস)বু লিংখৎপীরম্বা ডা. হেদগেৱারগী পুন্সিগী মরুওইবা তাঙ্কক কয়ামরুম থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংদা তাকপী তন্বীখি। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা এম এল এ করাম শ্যাম, নিশিকান্ত সাপম, এস রাজেন, ডা. উশম দেবেন অমদি ভারতিয়া জনতা পার্টি মণিপুর প্রান্টকী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা মথংশিৎনা অথোইব মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা নুমীৎ কয়ানি চুপ্পা পাঙথোরকখিবা কেম্প অসিগী লোইশিনবগী থৌরম অদুদা চাউরাক্লা মীওই ৩৫০ রোমসু শরুক য়াখি।

# হৈরোক পার্ট টুদা মালেমগী ইমাগী নুমীৎকা লোয়ননা লেম্না য়া লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস) : ঙসি মলেমগী ইমাগী নুমীৎকী থৌরম পাঙথোকপগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা হৈরোক পার্ট টু চীংদোম্পোক হায় স্কুলদা নিঙোল ক্লব হৈরোক, সিটি ক্লব হৈরোক অমসুং সর্ভিস ফোর হ্যুমেনিটি হৈরোক্না পুন্না খুৎশম্নদুনা লেম্না য়া লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম হৌদোকপা অদুদা সিটি ক্লবকী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম ইবোমচানা থৌরম মপু, আই দি এ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ইমিদিএট পাস প্রসিদেন্ট ডা. টি নবচন্দ্রনা অথোইবা মীথুং, কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার অমসুং নিঙোল ক্লব হৈরোক্কী প্রসিদেন্ট সোফিয়া খুন্দোংবমনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। ঙসিগী থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুং ওইখিবা আই দি এ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ইমিদিএট পাস প্রসিদেন্ট ডা. টি নবচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা ইম্ফাল ময়োলদগী খরা লাপ্না লৈবা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা মপুং ফানা ফংবা ৱাৎপা মফমশিংদা চৎতুনা চহী খূদিংগী ঙসি পাঙথোক্লিবা প্রোগ্রাম অসিগুম্বা ৪/৫ রোমদি তৌবনি। অদুবু কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা মরম ওইরগা চাউরাক্লা চহী ২ রোম লেপ্লুরবা মতুংদা অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসি অমুক হন্না পাঙথোকপা হৌবনি। ফিল্ডদা চৎতুনা য়েংবা য়াবা অমসুং মিনিমম লেভেলদা হোৎনদুনা মীয়ামদা কেম্প অসিগী কান্নবা খরদং ওইরবসু ফংনবগী পান্দমদা অসিগুম্বা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়না ফোঙদোকখি।

হৈরোক পার্ট টু চীংদোম্পোক হায় স্কুলদা পাঙথোকখিবা মালেমগী ইমাগী নুমীৎকা লোয়ননা য়া লেম্না লায়েংবগী কেম্প অদুদা হৈরোক অমদি হৈরোক্না থংনবা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তোঙান তোঙানবা খুলশিংদগী লাকপা পুন্না মীওই ৫০০ রোম্না শরুক য়াখি। লোয়ননা য়া লায়েংবগী কেম্প অদুদা শরুক য়াদুনা কান্নবা লৌখিবা মীওইশিংদা হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা লেম্না য়া লায়েংবগী কেম্প অদুদা মপুং ওইবা ট্রিটমেন্টশিং অদুদি য়া অমদি য়ানুংগী চেক-অপ, ওরেল কেন্সর স্ক্রিনিং, য়া তীন চাবগী লায়েংবা, য়া লূ-নালহনবা অমদি য়া শৎপনচিংবনি। ঙসিগী য়া লায়েংবগী কেম্প অদুদা পুন্না ডোক্তর ৩৫ রোম্না শরুক য়াখি।

# মীতৈ ময়েক সর্টিফিকেট কোর্স অহানবা চহীগী চাংয়েং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস) : মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়ন-শিল্লোল অপূনবা লূপ (মীলাল) কংলৈপাক, মীলাল কংলৈপাক জিরিবাম পানা লোয়শঙ অমদি নৰা শিন্দমশঙ জিরিবামগা পুন্না খুৎশম্নদুনা ঙসি জিরিবামদা লৈবা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মীতৈ ময়েক সর্টিফিকেট কোর্স অহানবা চহীগী ওইবা চাংয়েং অমা পাঙথোকখ্রে হায়না মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোল অপূনবা লূপ (মীলাল) ময়াই লোয়শঙগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি মাইবম ইন্দ্রজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙসিদগী হৌদুনা জিরিবামদা পাঙথোকখিবা মীতৈ ময়েক সর্টিফিকেট কোর্স অহানবা চহীগী কোর্স অসি মখা তানা দিপ্লোমা কোর্স ফাওবসু চত্থগনি। মরম অসিনা জিরিবামদা অমদি জিরিবামগী অকোয়বদা লৈরিবা মহৈরোয়শিং অমদি ইরৈচা খ্বাই পুন্নমক্লা হায়রিবা সর্টিফিকেট কোর্স অসিদা পূক্লিং হকচাং থৱায় য়াওনা শরুক য়াবীনবা মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোল অপূনবা লূপ (মীলাল)গী মায়কৈদগী আপীল তৌজরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোল অপূনবা লূপ (মীলাল)কা খুৎশম্নদুনা জিরিবাম অমদি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা মীতৈ ময়েক চাউখৎনবগী পান্দমদা তাকপী তম্বীবগী থৌরমশিং চত্থদুনা লাকখিবনি। অসিগুম্বা মীতৈ ময়েক চাউখৎনবগী পান্দমদা চত্থরক্লিবা মীতৈ ময়েক পাবা, ইবনচিংবা তাকপী তম্বীবগী খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না মীতৈ ময়েক খঙলমদবা মীওই কয়াদা মীতৈ ময়েক পাবা অমদি ইবা হৈহনখিবা লৈখ্রবনি।

## লেকচর প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস): লিলোং হাওরৈবী কোলেজনা শীন্দুনা এক্সট্রিম ইভেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ হায়বা থীমদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ কম লেকচর প্রোগ্রামগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না লিলোং হাওরৈবী কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. রহৈজুদ্দিন সৈখনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ কম লেকচরগী প্রোগ্রাম অদু লিলোং হাওরৈবী কোলেজগী ইন্টর্নেল ক্বালিটি এস্যুরেন্স সেল (আই ক্যু এ সী)গী মনুং চন্না রিছার্স ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি (আর আই এস টি) এম য়ুগা খুৎশম্ন দুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিটি ওফ মেরিলেন্দ য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী দিপার্টমেন্ট ওফ এষ্ট্রো ফিজিক্সকী প্রোফেসর এ সুরজলালনা রিছোর্স পার্সন ওইদুনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয় ২০০ রোমদা তাকপী তন্বীখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্স স্কোলার কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

# হিয়াংলম ময়াই লৈকায়দা কাদানা শীন্দুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংনবগী পান্দমদা খন্ন-নৈনবা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস) : কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুথৎনবা চঙশিল্লকপা তোঙান তোঙানবা খোঙজংশিংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হিয়াংলম ময়াই লৈকায় কৈথেলশঙদা কাদা হিয়াংলম ময়াই লৈকায় য়ুনিটনা শীন্দুনা নিশানা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংবদা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা হীরমদা মীয়ামগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী সেক্রটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম অনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।




চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, হিয়াংলম ময়াই লৈকায় কৈথেলশঙদা পাঙথোকখিবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংনবগী খন্ন-নৈনবা মীফম অদুদা মৈরা পায়বী সিনিয়র এলাংবম ওংবী সোমোলা, কাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সোরোখাইবম নেনা, কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেননা মথংশিৎনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা খন্ন-নৈনবা মীফম অদুগী রিছোর্স পার্সন ওইনা কাদাগী সেক্রেটরি জেনরেল গীতচন্দ্র মঙাংনা শরুক য়াখি।

খন্ন-নৈনবা মীফম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইখিবা কাদাগী সেক্রেটরি জেনরেল গীতচন্দ্র মঙাংনা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয় ঙসি মীয়াম পুন্দুনা পাঙথোক্লিবা খন্ন-নৈনবা মীফম অসি হৌখিবা হৌরক্লিবা ইচাইশুশিং, ইপুরোইবশিং ময়াই কাবা চীঞ্জাক চারক্তনবা অমসুং ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী লাপ্না লৈনবগী পান্দমদা পাঙথোকপা মীফম অমনি। ঐখোয়না ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবদা ঐগী মীগী নাইবা ৱাফমশিং থল্লোইদবনি। চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংগদবনি অমসুং মীয়াম্না লেপ্পা ৱারেপ অদুদা থবক পাঙথোক্কদবনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। লোয়ননা ঐখোয়না থবক চঙশিনবা মতমদা মায়কৈ কয়াদগী য়ৈখাই থিনগাইবা কয়া থোক্লক্কনি। অদুবু মদু পুন্নমক অদু মায়োক্লদুনা লৈবাক্কী অমদি মীয়ামগী খল্লগা নীংহন্নদনা মাঙলোমদা চঙশিনবা তঙাইফদে হায়খি।

থৌরম অদুগী প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা সিনিয়র মৈরা পায়বী এলাংবম ওংবী সোমোলানা ফোঙদোকখিবদা, য়ু অমদি অতৈ দ্রগ মখল কয়া শীজিন্নরকপদগী হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদা মীশি-মীনা ফাওবা য়াওখ্রে। অদুবু লৈকায় অসিদা চহী ৫/৬কী মতুংদা হন্দক ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংনবা হৌ-হৌ লাউদুনা মীয়াম থোরকপা অসি উবদা য়াম্না নুংঙাই অমসুং ময়াই কাবা চীঞ্জাক লমদম অসিদগী মপুং ফানা থিংনবা ঐখোয় খূদিংমক শরুক য়াদুনা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুথৎনবগী পান্দমদা কাদানা তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী ক্লব, ওর্গনাইজেসন, সী এস ও অমদি মৈরা পায়বীশিংগা পুন্না খোঙজং অসি চঙশিল্লকখিবনি।

# অদাম ইনভাইরনমেন্ট এৱার্দ ভেলেন্টিনা এলাংবমদা পীরগনি

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস) : এল্লাইয়েন্স ফোর দিভেলপমেন্ট অল্টর্নেটিভস মণিপুর (অদাম) ময়াই লোয়শঙ ককচিংনা কুমজা ২০০৬তগী হৌদুনা চহী অনী লৈরগা পীবা অদাম ইনভাইরনমেন্ট এৱার্দ চহী খরা লেপ্লুরবা তুংদা হন্দক চহীদগী অমুক পীবা হৌরগনি। অদাম ইনভাইরনমেন্ট এৱার্দ ২০২২ অসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী হিয়াংলমদগী ভেলেন্টিনা এলাংবমদা পীরগনি হায়না এল্লাইয়েন্স ফোর দিভেলপমেন্ট অল্টর্নেটিভস (অদাম)গী সেক্রেটরি সুরজিৎ ক্ষেত্রিময়ুমনা ফোঙদোরক্লি।

অঙান চীং ইকো পার্ক ককচিংদা মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী স্পোন্সরশিপ মখাদা নৌনা শাবা ফম্বাকশঙ অমদি মীৎয়েংফম অনী শারি। মহাক্না মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা, হন্দক চহী অসিদা অদাম ইনভাইরনমেন্ট এৱার্দ ২০২২ ফংলগদৌরিবী ভেলেন্টিনা এলাংবম ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা হিয়াংলম মখা লৈকায়দা লৈবা এলাংবম প্রেমকুমার অমসুং এলাংবম ওংবী সয়াগী মচানুপীনি। অদাম ইনভাইরনমেন্ট এৱার্দ ২০২২গী মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, মমেন্টো অমা অমসুং শকখঙ চে অমা য়াওরি। হন্দক চহী অসিদা পীগদৌরিবা অদাম ইনভাইরনমেন্ট এৱার্দ ২০২২ অসি চহী অসিগী লাক্লিবা জুন ৫দা অঙান চীং ইকো পার্ক ককচিংদা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরমদা খুৎশিন্নগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, হন্দক চহীগী লাক্লিবা জুন ৫দা অদাম ইনভাইরনমেন্ট এৱার্দ ২০২২ পীগদৌরিবা চহী নৌরিবী ইনভাইরনমেন্টেলিষ্ট ভেলেন্টিনা এলাংবম অসি হৌজিক হৌজিকমক চীফ মিনিষ্টর্স গ্রীন মণিপুর মিসনগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইরি। ককচিংগী অকোয়বদা লৈরিবা মফমশিং অমদি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা উমংশিং মরুওইনা ককচিংগী ওইনা অঙান চীং ইকো পার্ক শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎতুনা লাকখিবনি।

# অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল এসে রাইটিং কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস) : খুন্নাই অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা অচৌবা চৈথেং পীরক্লিবা অসিবু থিংহৌনবা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)না হোৎনদুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা তুংগী মহৈরোয় অমদি নহাশিংবু অফবা অমা ওইনবা মহৈরোয়শিংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা পীরিবা চৈথেং অসিগা মরী লৈননা ঙসি এম এস এফ হেদ ওফিসকী মীৎয়েং মখাদা লৈরিবা এম এস এফ দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অহুম এম এস এফ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অহুম অসিদা কুমজা ২০২০গী ওক্টোবর ১৩দগী চঙশিন্দুনা লাকপা এ দ্রগ য়ুজ প্রিভেন্সন কেম্প্যেনগী মখাদা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল এসে রাইটিং কম্পিটিসন অমা পাঙথোকখ্রে হায়না এম এস এফ হেদ ওফিসকী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি মুতুম নোংদম্বা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রবা এসে কম্পিটিসন অসিগী হীরমনা ইম্পেক্ট ওফ দ্রগ ওন দ লাইফ ওফ য়ুথস (নহাশিংগী পুন্সিদা দ্রগনা পীবা চৈথেং) হায়বা অসিনি। কম্পিটিসন অসিদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা থৌবাল কোলেজদা মহৈরোয় ৫৫৫ রোম্না শরুক য়াখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ইম্ফাল কোলেজদা মহৈরোয় ৩০৭ অদুগা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা মহৈরোয় ১৪০ পুন্না দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অহুম অসিগী ওইনা অপূনবা মহৈরোয় ১০০২না শরুক য়াদুনা লৈঙাক্লা থল্লিবা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল এসে রাইটিং কম্পিটিসন অদু পাঙথোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা এসে রাইটিং কম্পিটিসন অসিগী রিজল্ট এম এস এফকী ফেসবুক পেজ মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন-এম এস এফ অমদি মীদিয়াগী খুত্থাংদা লাউথোকপগা লোয়ননা খনগৎলবা অহানবা, অনীশুবা, অহুমশুবা মনা অমদি মহৈরোয় ১০দা কন্সোলেসন প্রাইজ পীগনি। মনা পীবগী নুমীৎ কম্পিটিসন অসিবু শীল্লিবা এম এস এফনা নুমীৎ অমা লেপ্তুনা সেমিনার প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোক্তুনা মকোক-মথং তারবা মহৈরোয়শিংদা মনা য়েন্থোক্কনি। খন্ন-নৈনবগী প্রোগ্রামগী নুমীৎতা এসে রাইটিং কম্পিটিসন অসিগী টোপিক অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা রিছোর্স পর্সনশিংনা ৱা ঙাংদুনা ইরমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা পীরিবা চৈথেং, কদায়দা শোকহনবগে, করিদা মাঙহল্লি, মসিদগী করম্মা লাপথোক্কনি হায়বনচিংবা ৱাফমশিংদা খন্নগনি। মরম অদুনা হায়রিবা নুমীৎ অসিদা মহৈরোয় খূদিংমক্লা অমদি লৈবাক মীয়াম্নসু শরুক য়াবীয়ু হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ইরমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তা লাইচুদুনা মখোয়দা অমদি খুন্নাইদা চৈথেং কয়া পীরি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তা তাওখিদুনা মহৈ-মশিন্দসু তোক্লক্লবগী লম্বী অমসু ওইরক্লি। এম এস এফনা মসিদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ অমা ওইনা অমদি অচঙবা খুন্নাই অমা ওইনবগী ৱাখল্লোন্দা কুমজা ২০২০গী ওক্টোবর ১৩দা কেম্প্যেন অমখক ‘ঐখোয় ময়াই কাবা দ্রগ থাদোক্লসি’ হৌদোক্তুনা ঙসি ফাওবা চঙশিল্লক্তুনা লাকখিবনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# কংলা ফোর্টতা আই বি এস দি তাকয়েলপাৎনা চাউরাক্লা হৈ পাম্বী ৫০ রোম থাখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস) : ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্ট (আই বি এস দি) ইম্ফালনা শীন্দুনা ইন্সটিট্যুট অসিগী সিনিয়র সাইন্টিষ্ট ডা. সুদ্রিপ্টা দাসকী লুচিং মখাদা অতৈ অতোপ্পা সাইন্টিষ্ট, মহৈরোয়শিং অমদি ইন্সটিট্যুট অসিগী ষ্টাফশিং য়াওনা কংলা ফোর্টকী মনুং চনবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হৈ চারা পাম্বী ৫০ রোম থাখ্রে হায়না আই বি এস দি ইম্ফালগী সেক্রেটরি অতোম সমরেন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, কংলা ফোর্ট মনুংদা হৈ চারা পাম্বী আই বি এস দিগী ষ্টাফশিংনা থাখিবা অদু নুমীৎ ১৫নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা স্বছতা পখ্বরা ২০২২গী মনুং চন্না পাঙথোরকপনি। স্বছতা পখ্বরাগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা শিৎ-শেংবগী থৌরমশিংসু পায়খৎকনি। থৌরমসিগী মনুং চন্না তাকয়েলপাৎতা লৈবা মণিপুর সাইন্স সেন্টরগী কেম্পসকী অকোয়বদা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং শিৎ শেংদোকখিবগা লোয়ননা লূ-নান্না থম্নবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎখি। আই বি এস দিনা স্বছতা পখ্বরাগী মনুং চন্না পায়খৎলক্লিবা শিৎ শেংবগী থৌরম অমদি তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং অসি আই বি এস দিগী দিরেক্টর প্রোফেসর পুলোক কুমার মুখর্জিগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপনি। অসিগুম্বা থৌরম অসি ইম্ফালদা খক্তা নত্তনা সিক্কিম, শিল্লোং অমদি আইজোলদা লৈরিবা রিজনল সেন্টরশিংদসু পাঙথোক্লি অমদি মখা তানসু পাঙথোকখিগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা, থা অসিগী হৌখিবা ২দা ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্ট (আই বি এস দি)কী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইও টেক্নোলোজি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানসু স্বছতা পখ্বারাগী মনুং চন্না তাকয়েলপাৎতা লৈবা কেম্পসকী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শিৎ শেংবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লৈবাক অসিবু তরু-তনানবা লমদম অমা ওইহন্নবা লৈবাক মীয়ামদা পাউজেল পীখি। চৎলিবা থা মে ১দগী হৌদুনা পাঙথোরকখিবা স্বছতা পখ্বরা ২০২২গী থৌরম অসি থা অসিগী মে ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শিৎ শেংবগী থবকশিং পায়খৎখিগনি হায়রি।